# চাইনাগা মুক্নখিবা মতমদা ফোরৱার্দ লোকেসনশিংদা ইন্দিয়ানা ৱারশিপশিং দিপ্লোই তৌখি: নেভি চিফ

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ইষ্টর্ন লাদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলদা চাইনাগা খূৎ থোক্লখিবা নৎত্রগা মুক্নখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী ৱারশিপশিং ফোরৱার্দ লোকেসনশিংদা দিপ্লোইদ তৌখি হায়না ইন্দিয়ন নেভিগী চীফ এদমিরেল আর হরি কুমারনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী অৱাং থংবা বোর্দরগী সিক্যুরিটিগী ফিভম অসিসু লৈবাক অসিনা মায়োক্লরিবা শিংনবা অমনি হায়না এদমিরেল কুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি। এদমিরেল কুমারনা হায়, ইন্দিয়ন নেভিদা লৈবাক অসিগী মেরিটাইম ইন্টরেষ্টশিং দিফেন্দ তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা মপূং ফানা লৈ। লৈবাক অসিনা মায়োক্নরক্লিবা সিক্যুরিটি চেলেঞ্জশিং খন্নদুনা নেভিনা প্লেটফোর্ম হেনগৎহন্নবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ন ওসিনদা কুমজা ২০০৭তগী চাইনাগী পীপলস লিবরেসন আর্মি লৈরক্লিবসি ইন্দিয়ন নেভিনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা লৈরিবা চাইনীজ ৱারশিপশিংগী মতাংদা পল্লদুনা কুমারনা হায়খি, চাংচৎতা চাইনীজ পি এল এ নেভিগী জহাজ তরেৎ লৈ। করিগুম্বা মতমদা মখোয়না সবমেরিনশিংসু থাজিল্লি।



চাইনীজ জহাজশিং দিপ্লোই তৌরিবসি ঐখোয়না মুন্না খঙই। ঐখোয়গী ষ্ট্রেটেজি খূদিংমকসিদা মীৎয়েং থল্লগা প্লান তৌবনি। মতম চুপ্পদা ঐখোয় চাইনীজ জহাজশিং য়েংশিন্দুনা লাকখি। হৌজিকসু য়েংশিনবা লেপত্রি হায়না কুমারনা ফোঙদোকখি। চাইনীজ নেভিগী ষ্ট্রেংথকী মরমদা পল্লদুনা এদমিরেল অসিনা হায়খি, মখোয়না হৌখিবা চহী ১০ অসিদা জহাজ ১৮০ শাখি।

ইন্দিয়ন নেভিগী ষ্ট্রেংথকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ন নেভিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি জহাজ ৩৩খক্তগী হৌখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, হৌজিক ইন্দিয়ন নেভিগী ৱারশিপ অমসুং সবমেরিন ৩৯ শারি। মখোয়গী মনুংদা ৩৪ দি ইন্দিয়াগী শিপয়ার্দশিংদা শারি।

লৈবাক অসিগী ফ্লীটতা জহাজশিং হাপচিনবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী তরেৎকী মতমদা জহাজ ২৮ কম্মিসন তৌখি। অনমেন সিষ্টেমশিংগী মতাংদা পল্লদুনা এদমিরেল কুমারনা হায়খি, লৈবাক অসিগী ওইবা অনমেন এয়রবোর্ন, অন্দরৱাটর অমসুং ওটোনোমস সিষ্টেমশিং লৈহন্নবগী প্লান অমগা লোয়ননা ঐখোয় চহী ১০গী রোদ মেপ লৈ। দিপার্টমেন্ট ওফ মিলিটরি এফেয়র্স থম্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ্পু থাগৎলদুনা মহাক্না হায়খি, দিপার্টমেন্ট ওফ মিলিটরি এফেয়র্স লিংবা অমদি সী দি এসকী ফম থল্লকপা অসি লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংখিবদগী খ্বাইদগী চাওবা রিফোর্মনি। মসিনা দিসিজন লৌবা থুহনগনি অমসুং ব্যুরোক্রেসিগী লেয়র হন্থহল্লগনি।

## সাউথ অফ্রিকাদা চহী ৫ মখাগী অঙাংশিং হোস্পিটলাইজ তৌবা হেনগৎলে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোননা চহী মঙা মখাগী অঙাংশিংগী মরক্তা হোস্পিটলাইজেসন হেনগৎহল্লে হায়না সাউথ অফ্রিকাগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না শন্দোক্লবনি হায়রিবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোননা মরম ওইদুনা সাউথ অফ্রিকাগী কোভিদ কেস শরুক অনী হেনগৎখ্রে।

লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর জো ফালানা হায়, মরিশুবা ৱেভতা চহী মঙা মখাগী অঙাংশিংগী মরক্তা হোস্পিটলাইজেসন কেস হেনগৎলক্লে। সাউথ অফ্রিকাগী নেসনল ইন্সটিটুট্যট ফোর কম্যুনিকেবল দিজিজ (এন আই সী দি)গী মতুং ইন্না, হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা কোভিদ কেস মশিং খংহেন হেনগৎলকখি।

এন আই সী দিগী পব্লিক হেল্থ স্পেসলিষ্ট রাশিলা জসাতনা হায়, ৱেভ অসিগী অনৌবা ট্রেন্দদি চহী মঙা মখাগী অঙাংশিং হোস্পিটলাইজেসন তৌবা হেনগৎলকপা অসিনি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওমিক্রোন ইপিসেন্টর এসাৱাটনদা হোস্পিটাল এদমিসন পূম্নমক্কী চাদা ১০ রোমদি চহী অনীগী মখাশিংনি। অঙাংশিং নারকপা অসি নুংনাংনিংঙাইনি। চহী অনী য়ৌদ্রিবা অঙাংশিং মরক্তা ওমিক্রোনগা মরী লৈননা হোস্পিটলাইজেসন তৌবগী চাং চাদা ১০নি। দেল্টানা দোমিনেট তৌখিবা অহুমশুবা ৱেভ মনুংদসু অঙাংশিং হোস্পিটলাইজ তৌখ্রবসু হৌজিক মরিশুবা ৱেভ হৌরকপসিদনা হেন্না অঙাংশিং হোস্পিটলাইজ তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কর্নাটকানা অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা নর্সিং মহৈরোয় ১৮,০০০ ট্রেন তৌরগনি

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

কোরোনা ভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভ লাকপদা পেসেন্টশিং লায়েংনবা নৎত্রগা ওমিক্রোননা থোকহনবা ফিভমশিং থেংননবা কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা এম এস সী কোর্স ফাইনেল এয়র তম্লিবা নর্সিং মহৈরোয় ১৮,০০০ ট্রেনিং পীনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱাফম অসি হেল্থ মিনিষ্টর সুধাকরনা ইরাই নুমিৎতা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ পূম্নমক্কী দিরেক্টরশিং, দিনশিং, ঐচ ও দিশিং অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টকী মীফম অমা চ্যের লৌরবা মতুংদা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, পেন্দমিক্কী মতমদা আই সী য়ু অমসুং হোস্পিটালশিংদা নর্সশিংগী সর্ভিস য়াম্না মথৌ তাই। ষ্টেট অসিদা নর্সিং মহৈরোয় ১৮,০০০ ফাইনেল ইয়র তম্লি। হেল্থ দিপার্টমেন্টনা অহেনবা ষ্টাফ ১৮,০০০ লৌনবা থৌরাং তৌরকপগা লোয়ননা মখোয়গী সর্ভিসশিং য়ুটিলাইজ তৌনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে।

পেসেন্টশিংবু লায়েংনবা মখোয়বু দিজিটেল কোর্সশিংগী খূত্থাংদা অমসুং অতৈ ইন্সটিট্যুসনশিংগা এম ও য়ু সাইন তৌনরগা ট্রেন তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি। সুধাকরনা হায়, মীফম অদুদা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন ২১ রিভিয়ু তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা ক্রাইসিস অসিদা মেদিকেল কোলেজ য়াওবা দিষ্ট্রিক্টকী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালনা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি। অহুমশুবা ৱেভ নৎত্রগা ওমিক্রোনগী ইফেক্টশিংগা মরী লৈননা শেম-শাবগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখি।

ঐচ ও দিশিং, প্রোফেসরশিং, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং অমসুং সিনিয়র দোক্টরশিং মশা মশাগী থৌদাং খঙনা চৎকদবনি। পেসেন্টশিংবু ইফেক্টিভ ট্রিটমেন্ট ফংহন্নবা হোম দোক্টরশিং অমসুং পি জি মেদিকেল মহৈরোয়শিংগী সর্ভিস য়ুটিলাইজ তৌনবসু খন্নখি।

রেসিদেন্ট মেদিকেল দোক্টরশিংগী কোভিদ রিস্ক এল্লাৱেন্স থাদোক্লে হায়নসু সুধাকরনা লাউথোকখি। লুপা ক্রোর ৭৩গী মনুংদা লুপা ক্রোর ৫৫ রিলীজ তৌরে। অৱাৎপদুনা নোংমা-নীনি লৈরগা রিলীজ তৌরগনি। দোক্টরশিং অমসুং মেদিকেল ষ্টাফকী তলবশিং মতম চানা থাদোক্কনি হায়না মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি।

## সী সী টি ভি কেমেরা লাখ ১.৪ খিল্লগনি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

দেল্লীদা অথুবা মতমদা অহেনবা সী সী টি ভি কেমেরা ১,৪০,০০০ খিল্লগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর অরভিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে। কেজ্রিৱালনা হায়খি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা নেসনল কেপিটেলদা সী সী টি ভি কেমেরা ২,৭৫,০০০ ইন্সটোল তৌদুনা ক্রাইম তৌরিবশিংবু মরু ওইনা নুপীশিংগী মায়োক্তা ক্রাইম তৌবশিংবু মশক খঙদোকপদা মতেং পাংদুনা পব্লিক সেফটি হেনগৎহল্লে।

হৌজিক ফাওবদা দেল্লীগী মী তিনগদবা মফমশিংদা পূন্না কেমেরা ২.৭৪,০০০ ইন্সটোল তৌরে। মসিনা মাইল অমগী লম মনুংদা কেমেরা মশিং য়াম্না ইন্সটোল তৌবদা দেল্লীবু মালেমগী সিটি ১৫৩গী মনুংদা রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইবা অহানবা সিটি ওইহল্লে। লন্দননা রেঙ্ক টুদা লৈ। দেল্লীনা সাংহাই অমসুং ন্যু য়োর্ককুম্বা সিটিশিংদগীসু হেল্লি। ঐখোয়না চেন্নাইদগী কেমেরা মশিং শরুক অহুম হেল্লি অমসুং মুম্বাইদগী শরুক ১১ হেল্লি। অনীশুবা ফেজদা দেল্লী গভর্ণমেন্যনা অহেনবা কেমেরা ১,৪০,০০০ ইন্সটোল তৌরগনি। কেমেরাশিংসিনা ওথোরিটিশিং অমসুং পোলিসপু ক্রিমিনেলশিং আইদেন্টিফায় তৌবদা মতেং পাংই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## মহৈরোয় ৩৬ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

হায়দরবাদ, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা টেলেঙ্গনাগী রেসিদেন্সিএল স্কুলশিংদা মহৈরোয় ৩৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, শগোলশেন নুমিৎতা গঙ্গারেদ্দি দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দ্রেশামদা লৈবা জয়োটিকা ফুলে বি সী ৱেলফেয়র রেসিদেন্সিএল স্কুলদা মহৈরোয় ২৪ পোজিটিভ ওইখি।

হেল্থ ওথোরিটিশিংনা অপূনবা মহৈরোয় ৯৬০কী মনুংদা ৩০০ কোভিদ টেষ্ট তৌখি। অৱাৎপা মহৈরোয়শিং অদুসু টেষ্ট তৌরগনি। স্কুল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, নভেম্বর ২৪দা ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় অমা হোষ্টেলদা লৈরিঙৈদা লাইহৌ হৌরকখি। মহাকপু অহল লমনশিংনা য়ূমদা পুরগা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকখি অমসুং মদুদা মহাক পোজিটিভ ওইখি। সঙ্গারেদ্দি দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল অমসুং হেল্থ ওফিসর জি গয়াত্রি দেবীগী মতুং ইন্না পোজিটিভ ওইবা মহৈরোয় পূম্নমক আইসোলেসন তৌদুনা থল্লে।

## ওমিক্রোনগী অকিবা মরক্তা চহী ৪০ অমসুং মথক্কী মীওইশিংগীদমক বুষ্টর ভেক্সিন দোজ রিকম্মেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

অনৌবা কোভিদ ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরকসিদা ইন্দিয়ন সার্স-কোভি-২ জিনেটিক্স কন্সোর্টিয়ম নৎত্রগা আই এন এস এ সী ও জিনা চহী ৪০ মথক্কী মীওইশিংদা বুষ্টর ভেক্সিন দোজ পীনবা রিকম্মেন্দ তৌরি।




আই এন এস এ সী ও জিনা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা বুলেটিনদা হায়, হৌজিক্কী ভেক্সিনশিং অসিনা লায়না কনশিনবা য়াবগী রিস্ক হন্থহনগদবা ওইরবসু মখোয়না থোকহনবা ভাইরস ন্যুত্রেলাইজ তৌবা ঙম্বা এন্টিবোদিশিংগী লেভেল নেম্বনা অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোন হাৎপা ঙম্লোইদবগী ফিভম লৈবনা মরম ওইদুনা ভেক্সিন কাপত্রিবা রিস্ক লৈবা মীওই খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোকপা অমদি চহী ৪০ অমদি ৪০ হেল্লবশিং বুষ্টর দোজ কাপ্পবা খন্নবা য়াই।

জিনেটিক্স কন্সোর্টিয়ম অসিনা হায়, ওমিক্রোননা রিইনফেক্সনগী রিস্ক হেনগৎহনবা য়াই হায়বসি প্রিলিমিনরি ইভিদেন্সনা উৎলি। মসি মরু ওইনা ম্যুটেসনশিংনা ষ্ট্রকচরদা অহোংবা কয়া লাকহনবা য়াবগী ফিভম লৈবননি। ভেরিএন্ট অসিগী কেস মশিং সাউথ অফ্রিকাগী প্রোভিন্স খূদিংমক্তা হেনগৎলকপগী মওং উরি।

আই এন এস এ সী ও জিনা মখা তানা হায়, থর্মো টকপাথ কুম্বা পি সী আর টেষ্ট খরদা টার্গেট জিন অহুমগী মনুংদা অমা দিটেক্ট তৌদে। অসিগুম্বা ফিনোমেনন অসি হৌজিক্তি কন্না শন্দোকখিদ্রবা অলফা ভেরিএন্টকা মরী লৈননা মমাঙদা উখি। অদুনা সিক্বেন্সিং কনফর্মেসন ঙাইরিঙৈদা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী মার্কর ওইনা এস জি টি এফ শীজিন্নবা য়াই। ওমিক্রোনগী ম্যুটেসন স্পেক্ট্রমনা ভেরিএন্ট অসি য়াম্না শন্দোক্নগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী।

ভেরিএন্ট অসি দেল্টাগা চাংদম্নবদা গ্রোথ এদভান্টেজ লৈরম্বা য়াই হায়বা ইঙ্গিৎ লৈরবসু গ্রোথ এদভান্টেজ হায়বসি শন্দোকপগী চাং ৱাংবগা মান্নদে। মরু ওইনা মীয়ামদা হান্নন ইম্যুনিটি লৈরবদি অনী অসি মান্ননা য়েংলোই। ভেরিএন্ট অসিবু ঙন্না দিটেক্ট তৌনবা আই এন এস এ সী ও জিনা জেনোমিক সর্ভিলেন্স অসি তঙায় ফদে হায়রি।

বুষ্টর অমসুং ভেক্সিনগী অহেনবা দোজশিংগী ওইবা পোলিসি অমা চয়োল অনীগী মনুংদা পুথোক্লবা য়াই হায়না হৌখিবা থাদা নেসনল টেক্নিকেল এদভাইজরি গ্রুপ ওন ইম্যুনাইজেসন (এন টি এ জি আই)না লাউথোকখ্রবনি।


## /মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

Shree Shree Gourgobind Girls' College অসিগী মতাংদা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মরমদি College অসি Imphal East কী ওইবা অমত্তা ঙাইরবা নুপী মচাশিংগী - মহৈ তম্ফম শঙনি। College অসিদা হৌজিক চত্থরিবা মওং মরিল তাদবা নিতি নিয়ম লৈতবা মীওই খুজোক খরনা তৌনংবতা তৌদুনা লৈরে। মরম অদুনা মায়কৈ অসিদা লৈবীরিবা ইকায় খুম্নজরিবা ইকায় খুম্নজরিবী খূদিংমক্না College অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অসিদা য়াওবীয়ু। College অসি অমোৎপনা পিক থল্লে, College অসিদা থাদরকপা য়াম্লবা শেনফম খূদিংমক মফম মরাং খঙদনা শীজিন্নথোকখিবা College গী মমিং লৌরগা শেল তানফম ওইরে।

লাক্লিবা তাং ০৫/১২/২০২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী পুং ১১:০০ তাবা মতম অসিদা মীয়ামগী ওইবা মীটিং অমা পাঙথোকচগদৌরি। মরম অদুনা মীটিং অসিদা মীয়াম্না শুংশোই শোইদনা শরুক য়াবীনবা নোল্লুকচরি।

Place : College Conference Hall

নোল্লুকচরিবা,

**S. Ibosing Meetei**
Secretary
Governing Body
Shree Shree Gourgobind Girls' College

HL-P/0829/4



**/খোঙ হান্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হান্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হান্নগা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা তঙ্খায় অমসু পোমথোকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা অমদি শাগৎলগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ কাপথোরকপা হেনবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ তাখিবনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা হৌগৎলকপা মতমদা কোক ঙাওবা, কম্লাক মরী নাবা অমদি খূবোম অসিসু নাবা, খোঙ হান্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হান্নগা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙদা তঙ্খায় অমসু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিল্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চেখায়বা অদু ফনবা ইীদাক শীজিন্নরবসু ওইশিল্লু য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খ্বাঙ নাবা, নময়াং মরিনসু নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **W. Rajendro Kumar**
Awang Khunou

HL-B/7295/4



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL**

**Ref. R.R. No. 359/SDC/Lil Dt. 17/11/2021**

Mrs. Khursida Bibi W/o (L) Md. Abdul Majid
of Lilong Haoreibi Chandakhong

**/ NOTICE**

Lilong, 3rd Dec. 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Khursida Bibi W/o (L) Md. Abdul Majid of Lilong Haoreibi Chandakhong, P.O. & P.S. Lilong District Thoubal Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/9574/4



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR**

**/ NOTICE OF OBJECTION**

**Imphal, the 2nd December, 2021**

**No. 5745 of 1984(M) :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"The Manipur Women & Children Upliftment Organisation"** on 29th November, 2021 for alteration/change the office of the association from Kongpal Kongkham Leikai, Near J.N. Hospital, Imphal East District, Porompat to Top Makha Leikai, Imphal East District, Manipur under Section 8 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 11 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the alteration/change of address of proposed society/organization/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for alteration proposed may be initiated/ considered/proceeded for alteration as deemed fit under Section 9 of MSR Act, 1989 and Rule 12 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies,
Manipur

HL-P/0825/4



**MANIPUR KHADI AND VILLAGE INDUSTRIES BOARD**
**LAMPHELPAT:IMPHAL**

-------------

**/ NOTIFICATION**

Lamphelpat, The 28th November, 2021

**File No.MKB/APT/2010(Pt):** Application are invited from intending candidates for the appointment of the following posts on Contract Basis in the 50% of consolidated pay in the Pay Matrix Level against the respective posts in the Manipur Khadi & Village Industries Board. All willing candidates should get their names sponsored from the concerned District Employment Exchange Offices and thereafter a Prescribed Form shall be collected on payments of Rs. 700/-(Rupees Seven Hundred)only for General and OBC Candidates, and Rs. 500/- (Rupees Five Hundred) only for SC, ST & PWD candidates from the Manipur Khadi & Village Industries Board, Lamphelpat, Imphal. The Candidates, should attain the age limit not below 18 years and not more than 38 years as on 01-11-2021.The upper age limit is relaxable up to 05(five) years in case of SC/ST, 03(Three) years for OBC and 10(Ten) years for PWD category Candidates respectively.

**Details of Post:**

| Sl. No. | Name of Posts | No. of Post & Reservation | Pay Scale | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Account Officer | 01 (UR-1) | 9300-34800 +GP 4300 | Essential: 1. Graduate in Commerce/Stats/Maths from a recognised university, 2. Trained in computer Desirable: M.Com, Knowledge of English Hindi & Manipuri |
| 2. | Development Officer | 01 (UR-1) | 9300-34800 +GP 4300 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in computer Desirable: Preparation of Project, Knowledge of English Hindi & Manipuri |
| 3. | Auditor | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 2800 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in computer Desirable: Knowledge of Math & Account matter, knowledge in English, Hindi & Manipuri |
| 4. | Inspector | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 2800 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in computer Desirable: English, Hindi & Manipuri Knowledge |
| 5. | Supervisor | 04 (UR-2, OBC-1, ST-1) | 5200-20200 +GP 2400 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in computer Desirable: knowledge of English, Hindi & Manipuri |
| 6. | Instructor (Silk/Pottery/Weaving) | 03 (UR-2, ST-1) | 5200-20200 +GP 2400 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in the Trade from any recognised Institute. Desirable: English, Hindi & Manipuri knowledge |
| 7. | Recovery Fieldsman | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 2400 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in computer Desirable: English, Hindi & Manipuri Knowledge |
| 8. | UDC | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 2400 | Essential: 1. Graduate from a recognised University, 2. Trained in Computer Desirable: English, Hindi & Manipuri Knowledge |
| 9. | Sales Asstt. | 02 (UR-1, ST-1) | 5200-20200 +GP 2400 | Essential: 1. Graduate from a recognised university, 2. Trained in Salesmanship of Marketing Course from a recognised Institution. Desirable: Computer Knowledge, English, Hindi and Manipuri knowledge |
| 10. | Asstt. Auditor | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 2000 | Essential: Graduate from a recognised University. Desirable: Knowledge of Math, Computer, Account matter, English, Hindi & Manipuri |
| 11. | Demonstrator (Pottery/G.K.) | 02 (UR-2) | 5200-20200 +GP 2000 | Essential: 1. Passed 10 +2 0r equivalent, 2. Trained in the trade from a recognised Institute. Desirable: : Knowledge Computer, English, Hindi & Manipuri |
| 12. | L.D.C. | 02 (UR-1, ST-1) | 5200-20200 +GP 2000 | Essential: 1. Passed 10 +2 0r equivalent, 2. Trained in Computer, 3. Typing with a speed of 30 words per min. in English Relaxable up-to 25 words per min in case of SC/ST Desirable: Graduate, Knowledge of English, Hindi & Manipur. |
| 13. | Account Asstt. | 1 (UR-1) | 5200-20200 +GP 1900 | Essential: 1. Passed 10 +2 with maths/commerce 0r equivalent 2. Trained in Computer 3. Typing with a speed of 30 words per min. in English Relaxable up-to 25 words per min in case of SC/ST Desirable: Graduate , Knowledge of English, Hindi & Manipur. |
| 14. | Artisan (Match/Silk) | 02 (UR-2) | 5200-20200 +GP 1900 | Essential: 1. Passed 10 +2 0r equivalent, 2. Trained in the Trade from a recognised Institute Desirable: Knowledge of English, Hindi & Manipuri |
| 15. | Bee Keeping Fieldsman | 04 (UR-3,ST-1) | 5200-20200 +GP 1900 | Essential: 1. Passed 10 +2 0r equivalent, 2. Trained in the Trade from a recognised Institute Desirable: Knowledge of English, Hindi & Manipuri |
| 16. | Potter | 01 (UR-1) | 5200-20200 +GP 1900 | Essential: 1. Passed 10 +2 0r equivalent, 2. Trained in the trade from a recognised Institute Desirable: Knowledge of English, Hindi & Manipuri |
| 17. | Daftry | 01 (UR-1) | 4440-7440 + GP 1650 | Essential: Passed HSLC Desirable: Knowledge of Manipuri and Hindi & English |
| 18. | Borkandaz | 01 (UR-1) | 4440-7440 + GP 1650 | Essential: Passed HSLC Desirable: Knowledge of Manipuri and Hindi & English |
| 19. | Peon | 04 (UR-2, OBC (MP)-1, ST-01) | 4440-7440 + GP 1650 | Essential: Passed HSLC Desirable: Knowledge of Manipuri and Hindi & English |

- **Note: Reservation Rules will be followed strictly.**

The seats shall be de-reserved in case of non-availability of eligible candidates. Chance may be given to other candidates in order of merit in the recruitments. The De-reserved post shall be carried forward to the next recruitment year.

**Issue/Submission of Application Form:**

The willing Eligible Candidates should get their names sponsored from the Concerned District Employment Exchange Office on or before 13-12-2021. Thereafter, the sponsored candidates should obtain/collect application form from the Office of the Manipur Khadi and Village Industries Board, Lamphelpat, Imphal on production of the Original Exchange Card and submit their completed forms along with the required attested documents on or before 17-12-2021 A.N.

The Eligible Candidates shall be issued Admit Cards for appearing in the Written Test Examination, date of which shall be informed later.

Sd/-Th. Ebomcha Singh
Chief Executive Officer, I/C, MKVIB

HL-B/7333/3,4